# খ্বাইদই মমল য়াম্বা খুদোল

সনাথোই, মমীং চৎলবা আই এ এস ওফিসর অমা ওইরম্মী। ওল ইন্দিয়া সিভিল সর্ভিস এগজাম থারগা ফংলকখিবা আই এ এস'তুদি নৎখিদে। এম সী এস ওফিসর ওইরম্বদগী প্রমোসন'দা ফংখিবা আই এ এস'নি। ঐনা মমীং চৎপা হায়জরিবসি - অতৈ ব্যুরোক্রেট ওফিসরগুম ৱানোম্বা লাকপা মীশিংনা কোয়থি-কোয়থি থিরবা, লংত্রিক লংবা উফুল থাংদবা য়ূমদা লৈবা, অয়ূক্তা নাইট-গাউন শেত্তুনা গার্দেন'দা লৈ ঈশিং চাইদুনা নুংশি লৈনম মরক্তা কোফী থকপগী হৈনবী লৈবা অদুগুম্বা ওফিসর মখলদু নত্তে। ওফিসকী সব-ওর্দিনেট-ষ্টাফশিংবু ময়ূমগী দোমেষ্টিক-হেলপর ওইনা শীজিন্নবগী থবক, ওফিসনা পীবা কার তোংদুনা য়ূমগী নুপী অঙাং পুদুনা কোয়বা, ওফিসকী দ্রাইভর অদুবু মরন্নাই থবক্কী পাউখোল্লোয় ওইনা থাবনচিংবা, মীনা লেমজবা থবকনি খন্নবশিংসি মহাক নোংমতা তৌখিদে।

ঐদি খঙহৌদ্রে। মীনা হায়নবনি। মহাক্না এম সী এস ওফিসর ওইদ্রিঙৈ স্কুল ওজা ওইরম্মী। অদুনা ওইবা তাই, কনাগুম্বনা নোংফাদোক মাবু থিরকপদা 'ওজা সনাথোই' হায়না থিরক্লিবা। মহাক্না ওজা ওইরকপদুনা ওইবা তাই, মহাক্কী মচা অনীখক য়াওবদু (নুপা অমা, নুপী অমা) মতম চূপ্পদা মকোক থোংবা মহৈরোয় ওইদুনতা লাকখিবা। মচানুপা 'তোমথিন' না মমান্নবশিংদা তোয়না ৱারী শাই হায় - আই লাইক মাই ফাদর বট, আই এম নোট লাইক হিম (ঐ ঐগী ইপাবুদি পাম্মী, নুংশি, অদুবু ঐ মহাক্কুম্বদি নত্তে)। তোপ ক্লাস মহৈরোয় অমা ওইরল্লবসু 'তোমথিন', কৈদৌঙৈদা তোপ ক্লাস সিটিজেন অমা ওইরকখিদে। হোয়, স্কুটর অমনবা অমা ফাওবদি তোংখিবরা? প্রি-য়ুনিভর্সিটি ফাওবদি মণিপুরদা তল্লল্লগা গ্রেজুয়েসন'দি দিল্লিরোমদা তমখিবনি। মাষ্টর'দুদি য়ু এস এরোমদা তমখিবনি। মখা তানা অমেরিকাদা লৈথদুনা অচৌবা থবক অমা ফংখ্রে হায়। ওজা সনাথোইবুসু, মমা ইবেম্মা 'লৈমশীজ' বুসু অমেরিকাদা লৈরসি কৌ'মাল্লে। মপানা য়াদদুনা চত্তবনি। অখঙবা মীনদি মাগী মচানুপা তোমথিনগী ৱারী - সক্সেস-ষ্টোরি, মায় পাক্লবা মী অমগী ৱারী ওইনা লীনবদু ওজা সনাথোইগী মচিন্দগী নোংমতা মচাগী ৱারী লীবা তাখিদে। হংদা হংজিল্লুরগা হায়রক্কনি - মহাক অমেরিকাদা লৈবা পাল্লমাল্লে, অমেরিকান ৱে ওফ লাইফ, অমেরিকান আউটলুক টুৱার্দস লাইফ অদুবু হেন্না পাল্লমাল্লে। মাগী পুন্সিনি মানা পাম্বা মওংদা হিংসনু। ঐগীদি মপা অমা ওইনা হায়ফম থোকপা হায়খরে, তৌফম থোকপা তৌখরে।

মচানুপী 'নুংশিতোম্বী', মবুংগুম্না তোপ-রেঙ্ক-ষ্টুদেন্ট ওইনা হৌরকখিদ্রবসু সেকেন্দ দিভিজনর হায়বদুসু অমুক্তা ওইরকখিদে। ফার্ষ্ট-ক্লাস-ষ্টুদেন্ট হায়বা 'টেগ' অদুবুদি মতম চূপ্পদা লোয়নখি। মমান্নবীশিংনা হৌরকখি - তুংগী স্কোপ উদ্রবা, দিভলপমেন্ট এজেন্দা য়াওদ্রবা লৈঙাকসিগী লমসিদা, গুহা মনুংগী হঙোইগুম ঈরুপ্পুনা লৈরগুমসি। লাপ্না লৈখ্রবা মবুং, য়েংশিনবীনবা লৈত্রবা মমা-মপা অনীদুগী খনবদা 'নুংশিতোম্বী' ময়ূমদগী খোঙকাপ অমত্তা থাংদোকপা ঙমখিদে। মণিপুর য়ুনিভর্সিটি'দা এম এ লোইশিনখি। থবক ফংদ্রি। রিছার্স স্কোলর অমা ওইনা পি ঐচ দি তৌরি।

ঙসিদি ওজা সনাথোই, থবক্তগী পোথারে। তপ্না তপ্না শোনজিল্লকই। থবক পোথাবগী ফংখিবা শেনয়াম কদায়দা করম লোইখিবা? মেনবা ঙমদবা ঈফূৎ অমা ইমুংসিদা লৈবরা? মরক মরক মমা ইবেম্মগা ঙাঙনরকপা তায়। মনশিল্লক্লবা য়ূমসিবুদি ফনা ফজনা শেমজিনখি। মরক মরক কোয়রকপা মমান্নবশিংনা হায়রম্বা তাখি - সনাথোই, নঙদি নপান ফরিঙৈ, ওফিসর ওইরিঙৈ নয়ূম শাহৌদ্রগা, পেন্সন চৎল'কান্দা শারিবরা? যিশুনবু য়ূম শারম্বরা? ৱাহং ওইনা খুল্লকপা মপাবুংগী পাউখুমদুদা মমান্নবা অমত্তনা য়েৎখিদে। অঙাওবনি খনবরা? খঙদে, ঙাওরিবসি কনানো?

লায়েংবদা কান্নফম খঙদ্রিবদু, কেন্সর কৌবা অনাবদুনি খঙলকপদা মাগী নুপী, চহীগা চানদনা অহল ওইশিল্লক্লবীদু কৌশিন্দুনা হায়, 'মমা! ইবেম্মসি থাজথোকখ্রসি। মাগী খঙন-চান্নবা লৈত্রা হংঙু। লৈত্রগদি, প্রোফেসর, ডাক্তর ইবোচৌনা মমৌ ওইগে হায়রম্বনি'।

মমানা অহানবা থেম্বদা নুংশিতোম্বী য়ারক্তে। মমান্নবী ময়াম, লৈকায়গী মনে, মন্দোল কয়া চঙদুনা হায়বদগী য়ারকখি। অদুসু, মপাবুংগী পুন্সি নুমিৎ কক্লে খঙবদগীনি। অওং অউন চাউনা তম্বদুমক নৎত্রবসু, চৎনবা য়ানা, চোপ্তনবদি শেম শারম্মী। লুহোংবা নুমিৎ নকশিল্লক্লবা, মমা ইবেম্মবু নুমিৎ মশীং কক্লবা মপাগী নাক্তা থনল্লগা চৎলনি খল্লকপদুদা তুমিন লৈবা ঙমখিদে। শাউনীংবমক ঙমদ্রবসু, মপাবুংবু মথম্মোয়না ৱারৌখি ... 'ঐখোয়বু অসুম্না ৱানা হিংফম থোকপরা'?... মপাবুংগী মখাদা লৈবা ওফিসরশিংগী পুন্সি মরেলগা মখোয়গী পুন্সিগা চাংদম্নদুনা য়েংলুবনি।

'পাবুং! ৱারৌবীনু, ঐনা হৌজিক অনৌবা য়ূম অদুদা পুদুনা চত্তৌরিবসি, পাবুংগী নচানুপীনি হায়বা মিং অদুতনি। ঐগীদমক, ইমাগীদমক, তামোগীদমক পাবুংনা করি থম্বীরম্বগে? লৈনরিবা য়ূম ইঙ্খোলসিফাওবদা ইমা লৈখিদ্রবা মতুংদা ত্রষ্ট অমগী ওইখ্রগনি। পাবুংনা ঐখোয়গীদমক থম্বীরল্লিবসিবু করিনো?'

'নুংশিবা! ইপানা ইচাগীদমক থনল্লিবদি নুংশিবা হায়বা পোৎশক অদুখক্তনি। ইপানা লৈখিদ্রবা তুং নীংশিং উৎসব কৎকনু, নচাশিংবু নুংশিয়ু'।

ৱারৌনা-ওইনজরুবা, হেন্না ৱারৌনফম ওইনবা বিদায় ৱাহৈ পীরকখি।

অসুম্না, ৱারৌরবা থম্মোয় অমগা লোয়ননা চৎখিবনা, মপাম লমদমলোমদা তোয়না লাক্লীংবা ফাওখিদে। শোল্লবী মমা অমদি মপাগী খল্লগা চৎখি মরক মরক্তবুদি। মহাক্কী মচানুপাগী চউম্বা নুমিৎ নোংঙানবদুদা মপা ইবুংঙো তাইবংপাল থাদোকখি।

লোইশিনবা ঙমদ্রিবা পি ঐচ দি দিগ্রী, অমুক্তসু মায় পাক্লকখিদ্রবা থবক্কী ইন্টরভিয়ুশিং, মপামদা-নায়তোম লৈহৌরিবী শোল্লবী মমা, অদুগা হন্দক্তা নৌনা থুংলরিবা তাইবং মশক খঙদ্রিবা অতিথি ... খল্লরোই ঙমদ্রবা ৱাখলশিংসিনা হেক্তা চিংথোরকই মোংফম'নুংদা য়াতাখ্রবা মপাবুং। মহাক্না মতমগা য়াওনমিন্ননা চৎমিন্নবা হৈরল্লবা, মখোয় অসুম্না ৱারমগদ্রা? মথন্তা তত্তনা হংজখি। মহাক্লবু পাল্লবা, ওজা নুপী অমা ওইনবু ওইর'সু মচানুপীবু সিক্যুর ওইবা গভর্ণমেন্টকী থবক মচা অমা তৌহনবদি ইরায় লায়না ঙল্লম্বনি। এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্ট'তা হেদ ক্লার্ক ওইবা মমান্নবীগী মপাদুনদি, মচানুপী অহুম্মক গ্রেজুয়েট টিচর ওইহনখি। মপানসু পামখিদে, হন্দক্তি চহীগী উৎসব কৎলরোই - মমাদদি হায়দনা থম্মোয়নুংদা খনখিবনি।

অসুম্না ৱাখল লম্মুক্লরিঙৈ নুংথিল অমা কোল-কার্দ লাকই, হন্দক্তা মহাক্না থাখিবা এগজামদুগী পর্সোনেলিটি টেষ্ট গুৱাহাটিদা পাঙথোক্কনি। মহাক্না পামজনা থাখিবনি, এগজিক্যুটিভ পোষ্টনি, ফাইব ফিগর সেলেরি ফংগনি, থবক মফমসু ইম্ফালদা, নৌনা হাংগদৌরিবা সেন্টরসিগী দেপ্যুটি হেদ! নুংশিতোম্বী, হৌজিকসু মশাবু থাজদ্রি- লাইবক থম্বাল শাৎকদ্রা? থাশি নুমিৎ লাক্কদ্রা? মপুরোয়বগা তানরে। হোৎনদবা মীওইদা 'লাইবক' না কৈদৌঙৈদা থৌজানখিদে।

ইন্টরভিয়ু বোর্দ'তা ফল্লল্লিবদু মখোয় মঙানি। ইম্ফালদা য়াওখিবশিংদুগা খেন্নবা মওং অদুদা হাইফেৎ নর্ভস চৎপগুম তৌখি। থংনবা মীকুপ্তা নীংশিংলকই - লৈশারিঙৈ মপা ইবুংঙোনা দাইনিং টেবলদা ফল্লগা চাকচা মাঙদা পীখিবা লেকচরশিং। থক্কৎপা চিংনবদু মাঙখি'গুম তৌই।

ইন্ত্রদক্সন তৌনরে। মমিং মথা, ক্বালিফিকেসন, এক্সপরিয়েন্স হংনরবা 'তুং বোর্দ চ্যেরমেন অদুনা মাগী বাইও-দাটা অদুদা মমিৎ কূপ্তুনা য়েংদুনা লৈখি। চে'দা অমুক মঙোন্দা অমুক মঙক থাঙ্গৎ-থাংথ তৌরল্লগা মমীৎ শংত্রিক য়েংলগা হংলকই, 'হু ইজ য়োর ফাদর?' 'সনাথোই। নাও দিসিজদ।' 'রিটাইরদ আই এ এস?' 'য়েস! দ মেন ওফ ইন্টিগ্রিটি, রিরেক্তেদ বাই হিজ টাইমস'। ফম্ফমদগী হৌগৎলগা মনাক্তা চঙশিল্লগা হায়রকই ...'ত্রাই টু অন্দরষ্টেন্দ য়োর ফাদর, মাই দিয়র সিষ্টর! হ্বাট আই এম টুদে ইজ বিকোজ ওফ য়োর ফাদর - মাই-মেন্টর, মাই গাইদ, মাই টিচর, গাইদিং লাইট ওফ মাই লাইফ! ... মহাক্কুম্বা অমগী মচানুপী য়োর নেম ইজ ইনফ্, নঙোন্দগী হেন্না মতিক চাবা অমা য়াওরল্লোই। য়ু আর সেলেক্তেদ!' মহাক্তা নত্তে, অতৈ বোর্দ মেম্বর পূম্নমক ঙকখি। অদুবু করি হায়রুনি, মহাক্তি ইন্টরভিয়ু বোর্দতুগী চ্যেরমেন ওইবতা নত্তে, কম্পনিদুমক্কী এগজিক্যুটিভ দাইরেক্টরনি।

ময়ূমদা হল্লক্তুনা, মপাগী ফোটোদুদা লৈ কৎপদা তারকই মপাগী খোঞ্জেল - 'মচা মশুগীদমক মপা-মমানা থল্লমগদবা খ্বাইদই মমল য়াম্বা খুদোলদি য়ূম-কৈ, ফুরা-দলান, সনা-লুপা নত্তে, অফবা ক্যারেক্টর অমদি অতোপ্পগী থাজবা অদুনি'।

*–ইন্দ্রকুমার*

# হনুবা হনুবী পান থাবা

থায়না মমাঙঙৈদা খুল অমদা হনুবা হনুবী মতৈ-মনাও লৈরম্মী। মরাইবক থীবগী মখোয়গী মমিত্তা মচা অমত্তা উরমদে। নুমিৎ খুদিংগী হনুবনা থবক ইনখাং নোল্লগা হনুবীনা চাক ঈশিং থোংই। ইঙ্খোলদা মনা-মশিং থাবা অমসুং লৌউ-শিংউবগী থবকসু মখোয় অনী চঙদুনা শুমিন্নে। নোংমগী নুমিত্তা হনুবনা লৈপাক তৌরগা হনুবীনা লৈতুম থুগাইদুনা মখোয় অনী চঙদুনা পান থাই। হনুবা হনুবী অনীনা পান থারিঙৈদা য়োংনাউ খরা লাক্তুনা পান থাবা য়েংলৈ। য়োংনাউশিং অদুগী মরক্তগী খরা হৈথোই শিংথোইবা য়োংনাউ অমনা "হা ইপু ইবেল! নখোয় অনীনা থারিবা পান অসি মথা ওন্নরে। অসুম্না পান থারবদি হৌবদা মতম য়াম্না চঙলগনি" হায়রকই। য়োংনাউগী ৱাদু তাবদা হনুবনা "অদুদি ইশুশা! করম্না থারবদি পান অসি খিৎ থুনা হৌগদগে? নখোয় খঙলবদি ইপুদা খরা তাকপীরম্মু"। হনুবগী ৱাদু তাবদা য়োংনাউশিং অদু মমিৎ খৎনরে। ময়ামদগী হৈথোই শিংথোইবা য়োংনাউ অদুনা হায়রকই, 'ইপু ইবেল অনীনা থারিবা পান মনাওশিং অসি থাদ্রিঙৈদা হান্না ঈশিংদা শেংনা চামথোল্লগা মকু খোৎতোক্লো। অদুদগী চফুদা হাপচিন্দুনা মুন্না ফূৎলো। অফূৎপা পানশিং অদু লা লাতোন অমমমদা খরা খরা য়োল্লগা লৈবাক চঙহন্দনা কাংখুন্দা ফুমজিল্লু। অসুম্না পান থারবদি হয়েং নোংঙাল্লকপদা পান্দোং ফারমগনি। পান পাম্বীশিং অদু লেপ থুম্বমখৈ ৱাংলমগনি"। য়োংনাউগী ৱাদু তাবদা হনুবা হনুবী অনী অদু থাজরে। য়োংনাউশিংনা তাকপা মতুংইন্না পান মনাওশিং অদু ঈশিংদা শেংনা চামথোক্তুনা মকু খোক্তোল্লগা চাউরবা চফু অমদা হাপ্তুনা ফূৎলে। পান মনাওশিং অদুনা মুল্লক্লবা মতমদা লা লাতোন অমমমদা খরা খরা য়োল্লগা কাংখুলদা ফুমজিল্লে। হয়েং নোং ঙাল্লকপদা পানশিং অসি পান্দোং ফারমগনি খন্দুনা নুংঙাইবা ৱাখলদা হনুবা হনুবী অনীদু ৱারী শার-শারদুনা তূমখি।

অহিং নোংয়াই য়ৌরক্লবদা য়োংনাউশিংনা হনুবা হনুবীগী য়ূমদা মখোয়না তাকপা পান মথা অদু থাবরা থাদবরা য়েংবা লাকই। য়োংনাউশিংনা কাংখুল ময়াম অদু খোৎতোক্তুনা য়েংবদা লানা নিংথিনা য়োমশিল্লবা অমুনবা পান মনাওশিং অদু থেংনৈ। য়োংনাউশিংনা অফূৎপা পান মানওশিং অদু কাংখুলদগী খোৎতোক্তুনা চাথোক্লে। অদুদগী মখোয়না খোংবান্দা হৌবা পান্দোং ফারবা অৱাংবা লম্বান পাম্বীশিং অদু ফুল্লগা হনুবা হনুবী অনীনা থারম্বা পান কাংখুল অদুদা থাজিল্লগা পাম্বীশিং অদু তুদনবা মখোঙদা লৈবাক খোৎচিল্লি। পান থাবা লোইরবদা য়োংনাউশিং অদু নোক নোক্তুনা হনখি। নোংঙাল্লগা হনুবা হনুবী অনীনা ঙরাং ইশুশিংনা তাক্লম্বা পান অদুবু হৌরবা হৌদবরা য়েংগদবগী মপান্দা থোরকই। পান্দোং চাউনা ৱাংনা হৌরিবা লম্বাল পাম্বী ময়াম অদু উবদা হনুবা হনুবী অনী অদু য়াম্না হরাওরে। হনুবনা লম্বাল পাম্বীদু খরা ফুল্লগা হনুবীদা থোংনবা পী। হনুবীনা পান মনাওশিং অদু নিংথিনা চামথোক্তুনা মকু শেংনা খোক্তোল্লগা থোংঙি। হনুবীনা "হনুবা চাক লোইরে চাররো লাকও" হায়রল্লবদা হনুবনা ঈরু-মাইথজরগা চাক চাবা চঙলকই। হনুবনা পান মনাও অমা লৌখৎতুনা চারগা "হনুবী, পান অসি হাওখ্রেদা" হায়দুনা পান মনাও অমগা অমুক লৌখৎতুনা চাবদা লেংমনখিবনা য়োৎশিনবা য়াদদুনা ওথোল্লগা "হনুবী হেন্তাক হনুবী হেন্তাক" হায়না লাউর-লাউরদুনা মপান্দা মচিন তেংবা চেন্থোকখি। হনুবা অদু চাক মবুক থন্না চাদনা হেন্তাক চাদুনা লৈখি। "অসুক নিংথিনা মুন্না থোংবা পানবু লেংঙি হায়রিবসিবু ওন্থোকপা অহলনিদা" হায়না হনুবীনা মচিন্দা মুরুম মুরুম শোল্লি। অদুদগী হনুবীসু পান মনাউ অমা অনীখক হাওই হাওই হায়দুনা কুৎ কুৎ য়োৎতুনা চারুরগা মমৈথংদদি লেংলক্লদুনা হনুবা হেন্তাক হনুবা হেন্তাক হায়দুনা মাসু মপান্দা চেন্থোকখি। মপান্দা হনুবা হনুবী অনী অদু হেন্তাক য়েন্নদুনা চামিন্নরে। মমৈথংদা মখোয়না ফূৎপা পান মনাওশিং অদু য়োংনাউশিংনা চাথোকখ্রগা লম্বান ফুক্তুনা থাজিল্লম্বা ওইরম্বা তারে খন্নরদুনা হনুবা হনুবী অনী অদু মখোয় থিৎনা শাউরে। চাক লাম্বা খাঙবদা হীদাক হান্দুনা থকপা য়ারক্তুবদা ফুঙ্গা ৱাংমা ৱাংমদা ফল্লগা হৱাই ঙৌদুনা চামিন্নে।

অয়ূক্কী মতম হৌখিদুনা নুংথিল ওইরক্লবদা হনুবনা 'হনুবী! ঐ শিশিন্নরগে, নহাক ঐ শিরে হায়না তেংথাদুনা কপ্পু। নঙনা কপ্পা তারগা য়োংনাউ ময়াম হংবা লাক্কনি। য়োংনাউ ময়াম লাক্লগা ঐবু শুমাংদা খরা পুথোকপীরম্মু হায়য়ু। মখোয়না ঐগী ইনাক্তা চঙলকপা মতম অদুদা ঐ চৈতুপ্না ফুদুনা য়োংনাউশিং অদু হাৎকে।" অসুম্না হনুবা হনুবী অনীদু ৱাতান্নরে। হনুবা অদু লমায়দা উপ্রাক্না হিপ্তুনা শিজিন্নদুনা লৈরে। মনাক্তা চৈতুপ অমদি থমই। হনুবীনা হনুবগী খুয়াদা ফমদুনা তেংথাদুনা কপ্লকই। 'হা হনুবা, পান চাদুনা শিখিবা মাইরেল চারগা হল্লকউ।" অসুম্না হনুবীনা তেংথাদুনা কপ্পা মীকপখোল অসি তারদুনা য়োংনাউশিংনা করি তৌরবগে হংবা লাকই। য়োংনাউশিং লাক্লবদা হনুবী অদু কপ্পা হেনগৎলক্লে। য়োংনাউশিং অদু ইমুংদা চঙলক্তুনা "হা ইবেন! করি তৌরবগে করিগী কপ্লিবনো" হংলকপা য়োংনাউশিংগী ৱাদু তাবদা হনুবীনা কপ্না কপ্না "ইশুশিংনা তাকপা মতুংইন্না পান অদু থাবদা পান্দোং চাউনা ফজরবা পান ময়াম হৌই। মদুদগী মনাও খরা তাল্লগা থোংদুনা চাবদা হাওমনখ্রদুনা নপুদি য়াম্না চাশিনবদগী মবুক পোকখায়দুনা শিরে। ইবেলদি অহল ওইরকপনা পাঙ্গল শোল্লে, নপুবু মপান্দা থাংদোকপা ঙমদ্রে। নখোয় ময়াম্না অশিবা নপু অসি শুমাং ফাওবদং থাংদোকপীরম্মু।" হনুবীগী ৱাদু তারগা য়োংনাউশিং অদু ইপু ইপু কৌদুনা কপশিন্নবা হৌরক্লে। ঙাইহাক কপ্লগা য়োংনাউশিংনা শিশিন্নরিবা হনুবা অদু শুমাংদা পুথোক্কদবগী মখোয় ময়াম্না মমায় মমায় ওনশিন্নরগা পায়দুনা থাংগৎকে তৌবদা হনুবা অদু ফুক হৌগৎলকই। হনুবনা খঙহৌদনা হৌগৎলকপদু উবদা কিদুনা য়োংনাউ ময়ামদু কায়দুনা চেনখ্রে। য়োংনাউ চেনখিদৌরে খন্দুনা মনাক্তা লৈবা চৈতুপ অদুনা য়োংনাউশিংদা লংবদা মপাঙ্গল শোনবা য়োংনাউ অমগী মখোঙদা পান্দুনা মখোঙ তেক্লে। মখোঙ তেকপা য়োংনাউ অমদু ময়াম্না চিংলগা চোংল-চোংলদুনা চেনখ্রে। চেনখিবা য়োংনাউশিংনা য়োংজাউ খুল্লাকপদা তাক্লদুনা হনুবা হনুবী অনীবু হাৎনবগীদমক্তা য়োং ময়াম লান লাক্লে। য়োংলান লাক্লবদা হনুবা হনুবী অনী অদু চেনফম খঙদদুনা চাওরবা খরুং অমগী মনুংদা চঙদুনা লৈরে। য়োং ময়াম্না ইমুংদা চঙলক্তুনা হনুবা হনুবী অনীবু থিবা হৌরক্লে। খরনা য়ূমথক্তা কাখৎতুনা য়েংই, খরনা কাংখদা চঙদুনা থি। মমৈথংদা থিবা ফংলক্তুবদা ইমুংগী কাচিন অমদা হনুবা হনুবী অনীনা লোৎতুনা লৈরিবা খরুং অদু থেংনরুরে। খরুং অসিগী মনুংদা লৈরম্বা তারে খল্লদুনা য়োং ময়াম্না খরুং অদু ইমুংদগী মপান্দা য়াম্না ৱানা পুথোরক্লে। খরুং মনুংদা লৈরিবা হনুবা হনুবী অনী অদু লোন্না ৱারী শাবদু য়োংনাউশিংদি লাংমনখিবনা তাখিদে। হনুবীনা, "হনুবা! হৱাই মঙ্গল অঙৌবা চাশিল্লুবনা পুক নুংঙাইতে নুংশিৎ য়াম্না কারে, নুংশিৎ খজিক্তা খাইদোক্কে। অসি হায়দুনা হনুবীনা মখোল পীক্না নুংশিৎ খাইদোক্লম্মী। হনুবনসু হনুবী ঐসু নুংশিৎ খজিক্তা খাইদোক্কে হায়রল্লবদা হনুবীনা মখোল হৌহনগনু পাওমৈন্নে। হনুবনা মখোল হৌহন্দনা নুংশিৎ খাইদোক্কদবগী হোৎনবদা য়াদদুনা মখোল য়াম্না হৌনা খরুং মনুংদা নুংশিৎ খাইদোকই। হনুবগী নুংশিৎ খাইদোকপগী মখোল তাবদা খরুং পুরিবা য়োং ময়াম অদু কায়দুনা চেনখি। হনুবী হনুবা অনীদু খরুং মনুংদগী খ্বাং তেক্লে, খ্বাং তেক্লে হায়দুনা মখ্বাং পায় পায়রদুনা থোরক্লে। য়োংনাউ হাৎকনি হোৎনবদা ঙমদদুনা য়োং ময়াম্না মখোয় অনীদুম অৱাবা পীরল্লবদা হনুবা হনুবীদু ওনশিন্নদুনা খৎনরে। ঙাইহাক খৎনরুরগা হনুবীনা শাউগনু হায়না হনুবদা থেমজিল্লি। হনুবা অদু শাউবা ফরদুনা মখোয় অনীনা অমুক হন্না অশেংবা চাবা য়াবা পান থাবদা পান্দোং চাউনা হৌরে। মখোয়না থাবা পান অদুদি থোংদুনা চাবদা লেংদ্রে। মখোয়না চাবদগী লেম্বা পান অদু হনুবীনা য়োল্লগা শেল থুম য়াম্না ফংদুনা হনুবা হনুবী অনীদু চাবা থকপা ৱাৎতনা নুংঙাইনা পানখি।

**-সরাংথেম বরমনি, সাহিত্য ভুষন**

**(অইবগী ফোঙখ্রবা ৱারীমচাগী লাইরিক 'চীং-তমগী ফুঙ্গা ৱারী' দগী লৌখৎচবা)**

# শুক্লবা অহিংগী উমং ৱামংদা

অমম্বসিদা করিনো তৌদৌরিসে? ইশানা মরোল অমা নিংঙাই তৌরিবা? ৱাখলসু মফাং মফাং। অমতা নে তাদবা। মম্বসিনা মরোল অমা। করিমতা উদ্রেনা সিদি। মৈরা অমতং লৈরবদি! আহ! মৈরা অমতং লৈজরবদিকো!

মঙাল অমতং পীবিরবদিকো! মসিমা তোকসি। খনফাও খনগুমসি। মরমদি কনানা পীবিগদৌরিবনো?

মফমসি উমং ওইনা তৌই। উমংনি। কৈগীনো ঐনা খঙলকপদা মফমসিদা লৈরম্মীবসিবো। সি নত্তবা মফম অমদা লৈরম্বদি য়াদবরা? ঐনা খঞ্জনবা তাঞ্জা অমা শুংফং খংখিদে। জ্ঞান তারকপদা মফমসিদা সুম লৈরম্মে। খঞ্জনবা তাঞ্জা অমা ফংলল্লবদি খরা হেন্না শাফগদবা মফম অমা খল্লম্বসু য়াবনিদো। অদুদা মসিদি পঙখন খনবা হায়দুনিদো। ওইবা য়াররোইদবা। সুংওই ওইররোইদবা।

থা হুন্দোরক্লে। উরক্তা থাবল ফাওজিল্লক্লে। উচেক-ৱায়া মীৎকপ থোক্তুনা মরক মরক্তা খোঙলকপা তাই। মকু খোংই কূ কূ। অহিং চাক্তাবা শাহিং চাবা জীবশিং অনকপদা লৈবা মাল্লি। শাহুম ফংই। থাবলনা হুরান মীৎয়েং য়েংলক্লে।

হাইস, ঐসি অহিংবা জীবনিনা। খোঙ খূৎ পাল্লি। মীৎ নাকোং পাল্লি। ঐ ৱাখল খনবা ঙম্বা জীবনি। করি খল্লি? উমংসি থাদোক্তুনা চৎপা তাই। অমম্বগী ৱাংমদা। শা-কৈ তুংওইনদুনা। তিঙ্খং তুম্বৌ নেত্তনবা হোৎনদুনা। ফবু ফমনখ্রে কৈনো। মীৎ-না পাল্লিসিদি। কনানোমনা করিনোমা তৌবিবগী ৱাসি কান্নদে। ওইরোইদবা মঙনি। ইখোঙনা চত্তুনা ইখূৎনা ঈশিং শোক্তুনা অরাম খৌরাং কোক্লবা হোৎনবা তাবনি। ইখূৎনা হেক্তুনা ইপুক থন্নবা চাবা তাবনি। ঐনা তৌজদনা কনানা তৌবীনি। অমুনবা উইহৈফাও য়ানুংদা কেল্লক্লোই। পুন্সিসি থবক্লি। নুপা হায়সি অঙাং নত্তে। নুপাথোক্লা শৎ শৎ তৌ তাবনি। নুপাথোক্লা হিংবা তাবনি।

অমম্বসিবু কিফম থোকপ্রা? কনা কিদৌরিবনো? কি হায়দুনা সুম লৈরবদি ঐ উমংসিদা অদুম শি তাবনি। লেপকং কংদুনা। উমংগী ৱাংমদা করি লৈরিগে খঙদনা।

ঐগী মরুপ মপাং হায়বু থা থৱান্মীচাক থোক্তুনা অমম্বসিদা মফূৎ মফূৎ উরিসিনি। শজিক থবাগী ইঙ্গিৎ - খঙমন্নসু খঙদেদা। হকথেংনরিবা পোৎ চৈশিংদগী ফংলক্লিবা লৌশিং, অফ-ফত্ত খনবা ঙল্লিবা ৱাখল- সিমঙাই। সিদৈ হেনবা করি অমুক পাল্লিবগে। নোং নুংশিৎ শিৎলকপা, অখাক অরাও য়াওরকপা, কদাইদনো শাফগদবা মফম অমা থিদুনা লোৎপা তাবনি। ঈংথখ্রগা অমুক ঐগী খোঙচৎ হৌনবা।

পুন্সিসি খোঙচৎ অমনি। থাঙ ময়াদা চৎপনি। সর্কসকী থৌরি চৎপনি। হুৎ লৈথখিদুনা তানীংঙাই ওইবা। খোঙ খূৎ তেকপা, শিবা নাবা য়াবা। অদুদা মী ঐসে য়ারিবমখৈ নুংঙাইনীংবা, য়ারিবমখৈ চৈনাখোলদৈ লাপথোক্লিংবা। নুংঙাইবা পাম্বা, চৈনাখোল থৈদোকপা জীবনি ঐ। য়ু-নুং থক্তুনা কোয়-লাংদুনা অমিয়া কাদুনা লেন্থোকপসিনা ওন্থোক্লা নুংঙাইখ্রবা। লাইরিক-লাইশু পাদুনা অফবা থবক তৌবসিনা ওন্থোক্লা ৱাখ্রবা। অঙাংদগী হুৎ লৈখৎপদা খঙজরকখ্রবনি : পুন্সিসি ঈ থোকই। মোন্দ্রংদা লিশাং শিৎনা হিংবা য়াদে। পুন্সিসি ৱাখলনা শাজিনবা পোৎ ত্তে। অশাঙবা লাইনীং অমনি। খুদোংথিবনা পীক থনবা। ঐগী লম্বী ঐনা থিবা তাই। ঐগী লমথুংফম ঐনা খঙবা তাই। কনানসু থিবিরোই; কনানসু তাকপীরোই। ঐগী পুন্সি ঐগীনি। অফ-ফত্ত খঙনা খোঙ থাংবা ঐগী শরুকনি। ঐনি হিংলিবসি। ঐগী পুন্সি মী অতোপ্পনা হিংবীবা য়াবা নত্তে। মহুৎ শিনবা য়াবা পোৎ নত্তে। পুন্সিসিসু অনী শুদে, অমতনি। মী অমা ওইনা হিংলিবসি অমুকখক্তনি। ইহে শোইরে হায়দুনা অমুক হনবা য়াবা নত্তে।

নোংমা নোংমগী খোঙ থাংদুনা খরা খরা চৎলগা লমথুংফম নোংমা কোক য়ৌবগী ৱাফম লৈতে। হিংলিবসি অকক্লবা মতম অমৈ মনুংদনি। অকক্লবা মতমসিগী মনুংদনি ঐনা চৎকদবা। লুরিবসি অকক্লবা মতমসি, সিদগী হৌরগা সিদা লোইনি হায়সি খঙদে। অমর নত্তে ঐসি। শিবা নাই। লৈগুম পোল্লম্বদগী হম হম চাওখৎলক্তুনা মপূং ফানা শাৎকাইরল্লগা নোংমা নোংমগী অমুক খুইথরকপা অদুগা কেনবা। আশাদি লৈ। পুন্সিসে আশা অমদি ইরৈ লৈ। ফনা ৱারবসু ফনা খুদোংথিরবসু। ঐনা খঞ্জবা লম্বীদা চৎতুনা লমথুংফম য়ৌবগী নুংঙাইবা মীকুপ অমসু লাকপা কনানা খঙনি। চত্তবদি য়াদে। চৎপা তাই। ঐ হিংবা তাই। পুন্সি হায়বু হিংবনি। নৎত্রনে? চৈশু অমতংদি শেমদুনা চেৎনা পায়গে লিন-কাঙ, শা-কৈ ময়ামদগী ইশা কঞ্জবদা তেংবাংনবা। হৈক্রু পাল্লিবা অসোমদা চৎসিরা? হৈক্রু চানবা। অদুগা ঈশিংসু থক্লবা। হৈক্রু চাবা শজি লাক্লমগনি। শজি চানীংবা কৈসু লুমদুনা লৈরম্বা য়াইকো। অমরোমদা খল্লবদি কৈসিসু ঐগী মরুপনি। মীগী শহুম ফংলদি উহৈ-ৱাহৈ অহাওবা চাগনবা শজি লৈ খঙই। ৱানা অমুক থিরুদ্রসু নক্লা উহৈ-ৱাহৈ ফংগনি হায়সি খঙবা ঙম্মী। মচি ওইবা চিঞ্জাক চা-থক্তুনা ইপাঙ্গল য়োকপা তাবনি। মাঙলোমদা খোঙকাপ অমতং ওইরসু চৎখৎনবা। মাঙলোমদা, মাঙলোমদা। নোংমা নোংমগী। লমশাং চৎলকপসিনরা কৈনো ৱাই। ঐগী খোঙসি নাবনা। উখোঙসিদা মীৎকুপ অমতা পোৎথাগে। ফমথবদবু মঙায়রি। উরোন-শারোন তৌরুরমাল্লে। মঙ মঙই। ঐগী মঙদা খোঙ নাবনা। কৈনো য়েৎথংবা খোঙসি নাবনা। খোঙ থাংবা থোক্তবমখৈ নাই। হায় কৈনো ঐগীসি মঙদা মঙ মঙবা হায়দু তৌরেনা।

ঐ তূল্লি হায়সি ইথন্তা খঙজরকই।

মীৎকপ থোকপদা ঐ খোঙ নাম্মা কোনশিন্দুনা লৈরম্মী। তিংথোক্তুনা শান্নে। মঙনেনা তৌরিসিনা ইশম হেক শমজিন্নরদনা। মথোঙ খঙদে। মীৎকপ মপূং ফানা থোক্তুনা মপান থোল্লুবা মতুংদদি ঐগী মঙদু কাউখ্রে। নীংশিংবা থোক্ত্রে।

নোংঙানগদবসু য়াম ৱাৎলি। মপান্দা পুন্মম মল্লি।

**-কাংজম রাধাকুমার**

**(অইবগী ফোঙখ্রবা ৱারীমচাগী লাইরিক 'আ!! থম্মোয় লকানুংদগী' দগী লৌখৎচবা)**

**হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৬৫**

১) **"রাগ মঞ্জরী দর্শন (অহানবা অমদি অনীশুবা শরুক)"** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

২) **"বিক্রমোর্ব্বশী"** হায়বা ওরিজিনেল লাইরিক অসি মণিপুরীদা কনানা ইথোকপগে?

৩) **"অনৌবা মপোক"** হায়না মমিং থোনবা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৪) **"সার্কাস"** হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং কনানা ইবনো?

৫) **"ঐনা ইন্টরনেট হেক্কর ওইরবা/লৌরমগনি লোন্না/চেকশিন্না য়াম্না লোন্না/থল্লিবা লৈঙাকপশিংনা লৈনুংদা/শান্তিগী পাসৱার্দ।"** শৈরেং মতেক অসি নহা ওইরিবা, শকখঙনরিবা অইবা অমগী শৈরেং লাইরিক্তগী লৌথোকপনি। লাইরিক অসিগী মমিং করিনো? অইবা অসিনা কনানো অমসুং শৈরেং মতেক অসিগী লৌথোরকফম শৈরেংদু করম্বনো ?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মে ১৫, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।